

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, AUGUST 27, 2017 **PAGE 7**




*জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব অমাওইরিবা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দদগী স্পেনগী বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা নৌনা সাইন তৌনখ্রবা ফ্রান্স মচা ওসমানে দেম্বেলি*

*জর্মনিগী সিটি হেমবর্গতা চত্থরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরভ বিধুরি*

# মণিপুরদসু ইন্দিয়ান আইদোলগুম্বা অমা চহীগী ওইনা পাঙথোকহন্নিংই...চনচন



ইরমদম মণিপুর অসি আর্ট এন্দ কলচরনা থংনবা ষ্টেটশিং দা শক্তাক্লি হায়বদি মীপুম খুদিংমক খঙই। অদুবু লৈরিবা মণিপুর সরকার অসিনা আর্ট এন্দ কলচরগী মনুং চন্না লৈরিবা নত সংকৃটন অসিবু হেন্না চাউখৎপা অমা ওইনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। হোংলক্লিবা সরকার অসিনা মমাঙগী সরকারদগী হেন্না খুম্মাং চাউশিনবা লমদা চাউখৎ–থৌরাং পায়খৎলকপা উরি। তুংদসু হেন্না ইরমদম অসিবু চাউখৎপা পুরকপা ঙম্বা ওইসনু হায়না সংকৃটনগী শৈশকপী অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙলবী মশাগী চহী ৩২ মপুং ফারবী ওইনাম চনচন দেবীনা মহাক্কী ওইবা মত পাউ চে অসিদা থল্লক্লি।

ওইনাম চনচন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অথোকপম খুনৌ আরোং থোং মনাক হায়না খঙনবা মফম অসিদা লৈবা লৈখিদ্রবা ওইনাম ইবো সিংহ অমদি ওইনাম ওংবী রাসি দেবী অনীগী মচানুপী ৮ অমদি নুপা অনী পুন্না ১০ পোকপগী মনুংদা ইতোন–তোনবী ওইনা ইং ১৯৮৫ কী ফেব্রুৱারী ৮ দা ফংজখিবীনি। মহৈগী থাক্তা ২০১৭ এময়ুদা এমএ মণিপুরী, ২০১২ তা হিন্দি রত্ন ইম্ফাল, ২০১৩ দা সঙ্গিৎ নিপুন (ভোকেল) অমদি ২০১৭ এময়ুদা বিএ ম্যুজিক লোইশিনখ্রে।

ৱাখল মপুং ফাদ্রিঙৈ মশাগী চহী ৪ শুরকপা মতমদগী হৌনা ঈশৈগী লমদা থৱাই য়াওজবী চনচন লৈকাইদা শান্ন–খোৎনবা চৎপা মতমদা ঈশৈ তম্ফম অমদা মহাক্না পোকিমিন্নবা মচে শকহেনবীগা লোয়ননা চঙদুনা ঈশৈ শকপা তন্নিবশিং অদু মখোয় অনীনা তত্তনা তাবদগী তল্লুবা লৈতনা ঈশৈ ময়েকশিং অদু ফাবা ঙমখি। মখোয় অনীনা পামজরিবা লম অদুদা খোঙদানিংলুবনা মখোয়গী অপোকপী ওইনাম ওংবী রাসি দেবীদা ঈশৈ শকপা য়াওগে হায়না নীংঙাই কন্না তৌখি। অদুবু মচানা শেৎ চাগদবা ফিজোল লৈনবা অমদি ওজাগী দক্ষিনা পীনবা লৈতবনা মচাগী অপাম্বা নীংবা থুংহনবা ঙমখিদে। নীংঙাই কনবী চনচনগী মতৌ অদুদা অপোকপী নীংবা কায়খিদবদি নত্তে। থংনবদা লৈবা মহাক্কী তাচৌশিং থোকপা ওইনাম তেম্বা অমদি ওইনাম মনাও কৌবা মচিন মনাও অনীনা চনচন অমদি চনচনগী মচে শকহেনবী অনীগীদমক লিশোন ফুরিৎ অমদি ফনেক ময়েক নাইবা লৈবীদুনা চনচন অমদি মচেগী অপাম্বা লম্বী অদুদা পুক্নিং থৌগৎপীখি। লোয়ননা গৌর লীলা অমদি খুবাক ঈশৈগী লমদা শক্লাইবা অমা ওইরিবা অথোকপম মখা লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা ওজা হুইরোংবম ফৈজাও সিংহনসু চনচন অমদি মচে শকহেনবীগী থৱাই য়াওজবা অমদি হৈথোই–শিং থোইবা মতৌ অদুদা দক্ষিনাগী মথৌ তাদে হায়না চনচন অমদি শকহেনবীগী অপাম্বা লম্বী অদুদা চাউনা মতেং পাঙখি।

মদুগী মখা তারকপদা হায়রিবা ওজা অসিদগী ফংজরকপা নোলেজনা কাংগী ওইবা খুবাক ঈশৈদা পুন্সিগী ওইনা খোঙদাবা হৌরকখি। লোয়ননা মহাক্কী মনম্মা নত ঈশৈ শৈশকপী ওইনাম ওংবী নন্দো দেবীগী লমজিং মখাদা মখা তানা ঈশৈ তম্লকখি।

ইং ১৯৯৩ অদুৱাইদা চনচন রেদিওগী প্রোগ্রামদা অঙাংগী থৌরমদসু শরুক য়ানিংলকপদগী অপোকপী মমাগা লোয়ননা অঙাংগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারুনবা রেদিও ষ্টেসনদা চৎলুবা মতমদা মতমদুগী এনাওন্সর ওইরিবী চোংথাম কমলা থেংনখি। মহাক্কী মপালদগী হিয়াংলম লাই পাঙ্গনবদা লৈবা ঈশৈগী ওজা অমা ওইরিবা য়াইখোম ইবোচৌবু শকখঙবা ঙমখি। ওজা ইবোচৌদগী ঈশৈ হায়বসি করম্না শক্কদগে হায়বগী নোলেজ অমদি নত ঈশৈ শৈশকপী ৱাবগাই তেরা পীশক্তগী এলাংবম ওংবী সখি দেবীদগী নিমাই সন্ন্যাস হায়বা ঈশৈগী মহৈশিং তানশিনখি।

চনচননা শৈশকপী অমা ওইনা মায় পাকপগী লম্বীদা খোঙদারকপা মতমদা চাউনা মতেং ওইখিবা কাউবা ঙম্লরোইদবা মীশক অমা পনবা তারগদি ‘হি লানবা’ হায়বা অসিদা মপা শাবা হায়না খঙনবা খাঙবোক্তগী নিংথৌজম মেঙ্গোরনি। মতৌ করম্না চনচননা নিংথৌজম মেঙ্গোরবু পুন্সিগী কাউবা ঙম্লরোইদবা মীশক অমনি হায়বগী মরমদি মতমদুদা ‘হি লানবা’ হায়রিবা অসিদা প্রভু শাগদৌরিবা মীশক অসি মপা শাবা অসিনা মহাক্কী লেংজুমদা তোংদুনা পুগদবা মরম্না ঈশৈসু হৈবা অঙাংসু ওইবা থিরকপা মতমদা মতম অদুগী ওইনা চনচন নত্তনা লৈখিদে। নিংথৌজম মেঙ্গোর খোঞ্জেল ফজবা মীশক অমা ওইবনা মহাক্কী ঈশৈদবু তানিংবা মীশিং য়ামখিবনা মহাকপু বার্ত্তন তৌরকপদা চৎখিবা প্রোগ্রাম খুদিংমক চনচনবু লোয়নখি। মরম অসিদগী মেঙ্গোরগা তোয়না পুনবা ফংজরুবদগী ‘হি লানবা’ হায়বা অসিগী ঈশৈ ময়েকশিং অদু চনচননা হৌবদগী লোইবা ফাওবা ময়েক শেংনা শকপা ঙম্বগী খুদোংচাবা ফংখি।

চনচন মতম খরা লৈরবা মতুং শৈশকপী অমা ওইনা মীয়ামগীদমক খোঙদাবা হৌরগে হায়না খল্লকপা মতমদা মহাক্কী ঈশৈগী লমদা হৌরকফম ওইখিবা ওজা ইবোচৌগী মনাক্তা অমুক হন্না ইং ১৯৯৮ তা লাকখি। ওজা অসিদগী অহেনবা নোলেজ কয়া তানশিল্লবা মতুং ওইনাম চনচন দেবী মীয়াম্না শকখঙবা হৌরকখিবসি ইং ১৯৯৯ গী মতমদা ওজা ইবোচৌনা কাংগী পালি পুবা মতমদা শকখিবা ‘হি লানবা’ হায়বগী পরিং অমা ওইরিবা ‘হোজি মাজি, কনা ওইরিগবা অসুক থেংখ্রবা অহিংসিদা, ওন্থোক্লসু নুংশিনা কৌরকখ্রেদা...’ হায়রিবা ঈশৈ অসিদনি। হায়রিবা ঈশৈ অসি চাওরাক্লা পুং ৩ শাংবা ঈশৈ ময়েক অমনি। হায়রিবা ঈশৈ অসিবু চহী নৌরিবী চনচননা থাজদবা মওংদা শক্লকপদা অতাবা ভাবকশিংনা অঙকপা ওইনা য়াম্না নুংঙাইনা তান্নখিবা নুমিৎ অসিদগীনি।

চনচন নোংম–নোংমগী মহাক্না পামজরিবা লমদা মীয়াম্না নুংশিবীবনা মরম ওইরগা মায় পাকপগী লমদা খোঙ থাংজিল্লকপা হৌরকখি। চনচন ঈশৈগী লমদা মীয়াম্না শৈশকপী অমা ওইনা শকখঙলক্লবদা প্রোগ্রাম লেপ্পা লৈতনা চৎলকখি। মতম খরগী মতুংদা চনচন মশাগী খুদোং চাগদবা অমদি মীয়ামগী খল্লগা ইং ২০০০ দগী লুহোংবা, শোরাৎ অমদি ফিরোইখক্তমক ঈশৈগী বার্ত্তন লৌখি।

চনচন মখা তানা ঈশৈগী লমদা হেন্না খঙবা পাম্বদগী ইং ২০০৬ তা প্রাথামাদগী বিসারট ফাওবগী লমদা চহী ৪ চঙনা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইদা লৈবা অসেম বিমলাগী লমজিং মখাদা মহৈ তানশিনখি। অমদি ককচিং কৈথেলদা লৈবা এস নবচন্দ্রদগী চহী ৩ গী ওইবা নিপুনগী লমদসু মহৈ তানশিনখি।

ইং ২০১৪ দগী চহী ৩ গী ওইবা বিএ ম্যুজিকসু মণিপুর য়ুনির্ভসিটিদা তম্বা লোইশিনখি। মতম অদুদা ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী লমদা ওজা অমা ওইরিবা বি বিদ্যপতি শর্ম্মদগী লম অসিদা হেন্না মপুং ফাবা নোলেজ ফংবা ঙমখি।

মসিদা নত্তনা ইং ২০০২ দা মোরেল ইদুকেসন সেন্টর ইরোইশেম্বনা চনচনবু সুরগী লাইরেম্বী হায়বা তাঙলবা মীথোনসু পীবীখি। ষ্টেটকী ওইবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরমশিংদা চনচননা শরুক য়াখিবা খুদিং অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মনানচিংবা লৌবা ঙম্লকখি। লোয়ননা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী ওইবা থাক্তা পাঙথোকপা ঈশৈগী লমদা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ কয়া ফংলকখি।

চনচন মণিপুর ফিল্মগী লমদসু ঈশৈ কয়া শকখি। হায়রিবশিং অদুদি ‘লমখৈগী ৱাথোক’ হায়রিবা ফিল্ম অসিগী মোইরাং চনু নীংথিবী (সোলো), ‘তেলঙ্গা মমৈ’ হায়রিবা ফিল্ম অসিগী মপাল নাইদ্রবা অতিয়াদা (দুৱেট) অমদি খল্লুদে ঐনা কনাগী ৱাখল (দুৱেট), ‘ঙাইনা ঙাইনা’ হায়রিবা ফিল্ম অসিগী লাক্লরোইদ্রা পামুবা নহাকপু (সোলো) অমদি ‘সনাদি সনানি’ হায়রিবা ফিল্ম অসিগী ফজবা নংবু উবদা, ঙাওরিবনি ঐগী থম্মোইনা (দুৱেট) নি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা চনচন মতম ঈশৈগী লমদা ঈশৈ ৭০ গী মথক্তা অমদি নত ঈশৈগী পরিং ৪ রেকোর্দ তৌবা ঙমখ্রে।

মণিপুর সরকারনা স্পোর্টসকী লমদা মীৎয়েং চঙবীবা অসিদগী তাদনা নত সংকৃটনগী লমদসু মীৎয়েং চঙহন্নিংই। মীওই খরগী দিমান্দ ফংনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক ৱাহনবা চুমদবনা মণিপুরদা থোক্লিবা বন্দ ব্লোকেদনচিংবশিং অসি থৌদোক মচা অমগীসু খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরকপা হায়বসি চুমদৱা হায়না খল্লি। ঙাঙথোকখিবা ৱাগা থবক ওইনা পাঙথোরকপা ঙম্মী মমাঙ সরকারদগীদি হংদক্কী সরকারনা। মরম অদুনা পাল্লিবা সরকার অসি ফৈ হায়না লৌই। তুংদা করি থোরক্কদবগে হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনাম চনচননা পীখি।

মহাক্না মখা তানা পীরকখিবা পাউখুমদা মপান লমদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ান আইদোলগুম্না মণিপুরদসু লৈহন্নিংই। ওজা ইবোচৌনা ইবা ঈশৈ ময়েক্তা মশানা সুর পানজবা ঈশৈ ৭০ কলেক্সন তৌদুনা থম্লি। হায়রিবশিং অসি তুংগীদমক খল্লগা অমদি ওজানা ঐবু মী অমা ওইনা শেম্বীরকপগী ওজানা হিংলিঙৈ মতমদা লাইরিক ওইনা ফোঙদুনা খুদোল তমগে হায়বগী আশা থম্লি। শৈশকপী অমা ওইনা ঈশৈগী ইন্সটিট্যুসন অমা মীয়ামগীদমক হাংগে হায়না ঐগী ৱাখল লৈজে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন অমখক ফোঙদোক্লদুনা দেব–কর্মদা ঈশৈ শৈকপা মীশিং য়াম্বনা লৈজদবা য়ুম্বুদা অৱাবা ননবা, শুমাঙ লৈজদবা য়ুমদা অৱাবা ওইবা, পোৎয়েং পীগদ্রা শেলবু থাগদ্রা হায়বগী অৱাবা কয়া মায়োক্লে। হায়রিবসি অহোংবা অমা পুরক্কবা হোৎনবদা ঐ অমদি ওজা ইবোচৌ মীওই অনীদগী ওইবা ঈশৈ খুৎশক অমা পুথোক্তুনা অৱাবশিং অসিবু কোকহনবা ঙম্লি। অহোংবশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা অমনা ঈশৈ ময়েকপু ম্যুজিক্লা ময়েক শেংনা অতাবশিংদা তাহনবা ঙমদবা কয়াবু মাইক শিজিন্নরকপনা অতাবশিংদা নুংঙাইবা অমা পীবা ঙম্বসিসু অমনি হায়নসু থমখি।

## সুর মৈতৈ







## নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী শান্নবগী পাউ

## ৭শুবা এ এফ সি ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জকী অহানবা রাউন্দ হৌখ্রে

ইম্ফাল, অগাষ্ট ২৬ঃ

অপুনবা ফিটনেস সেন্তর এন্দ কন্সুলটেন্সি, নগামপালগী মিৎয়েং মখাদা ফিটনেস সেন্তর অসিদা থা ৩ চুপ্পা হকচাং শাজেল তৌরবা মতুংদা চাং দম্নগদবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জগী অহানবা রাউন্দ ঙসিদগী পাঙথোকপা হৌখ্রে।

চহি অসিগী নবেম্বর ২৬তা কম্পিটিসনগী ফাইনেল রাউন্দ পাঙথোকদবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা নুপী ৮২ অমদি নুপা ১৫২ পুন্না মীওই ২৩৪না শরুক য়ারি। ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবগী ওইনা শরুক য়ারিবা মীওইশিং অসিগী ফিজিকেল এনাতোম্মীগী রেকোর্দ লৌখি।

ট্রান্সফোমের্সন অসিগী নুপা অমদি নুপীগী অহানবা তাবদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ অমমম, অনিশুবা তাবদা লুপা লিশিং ৫০। ৫০ অমদি অহুমশুবা তাবদা লুপা লিশিং ৩০। ৩০ য়াওরি।

চহি ৪০গী মথক্তা লৈবা নুপা অমদি নুপী অহানবা তাবদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ১০/ ১০ অমদি ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ওইরবি নুপীগী অহানবা তাবদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ১০ অমসু য়াওরি হায়রি।

## ৬শুবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং তেবল টেন্নিস দবলসকী ফাইনেল মেটচশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৬ঃ

মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা দি এম কোলেজ কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টদিয়মদা চত্থরিবা ৬শুবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী দবলসকী ফাইনেল মেটচশিং ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অহানবা শান্নখিবা সব–জুনিয়ার বোইজ দবলসকি ফাইনেলদা ঐচ সামসন অমদি এ বিরালগী জুরানা হেরোজিৎ অমসুং রাকেসকী জুরাবু পোইন্ট ১১–৭, ১১–৪ অমদি ১১–৯দা অমদি সব–জুনিয়ার গার্লস দবলসকী ফাইনেলদনা লক্ষিপিয়ারি অমদি লিয়াগী জুরানা ঐচ সেনোরিতা অমদি বিদিপাগী জুরাবু পোইন্ট ৩–১১, ১১–৭, ৭–১১ অমসুং ১১–৯দা মায়থিবা পিদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেন্স দবলসকি ফাইনেলদা এস খাগেম্বা অমদি কে এস ঐচ ভিকাসকী জুরানা বিরেন অমদি বাপিনগী জুরাবু পোইন্ট ৯–১১, ৬–১১, ১১–৮, ১১–৫ অমসুং ১১–৬দা মায়থিবা পিদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

চত্থরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী লোয়শিনবগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি।

## বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট অমদি সেকেন্দ দিভিজনগী মেটচকী মতম নৌনা লেপখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা হৌজিক হৌজিক মিনি ষ্টদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চত্থরিবা ৪শুবা ঐচ পিসক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিসন ফুটবোল লীগকী ২৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি য়ু কে সি সি এলগা অমোফা এগা অমদি ১২শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ৪শুবা মেটচ ওইনা এম সি কেগা এ ৱাই সিগা লম্বা থেংনগদবা মেটচশিং নোং–চিংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা য়ৈথোক্লে হায়না দি এস এ বিষ্ণুপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি।

য়ৈথোকখ্রবা মেটচ অনি অসি মথংসিৎনা থা অসিগী ২৮ অমদি ২৯গী অয়ুক পুং ৮দগী হৌদুনা শান্নরগনি হায়না থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহলক্লি।

## পিসক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজনগী মেটচ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৬ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা টিম ১৩না গ্রুপ ২ খায়দোক্তুনা মিনি ষ্টদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চত্থরিবা ৪শুবা ঐচ পিসক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিসন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ২৯শুবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৭তা শান্নগদবা মেটচ অদু অহানবা এল ইতোমচা মেমেরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ লোয়শিনবগী থৌরম পাঙথোক্কদবনা মরম ওইরগা থা অসিগী ২৮দা শান্নরগনি হায়না দি এস এ বিষ্ণুপুরগী জেনেরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা য়েরোল অমনা খঙহলক্লি।

## গ্রাসরুট লিদর্সকী সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৬ঃ

তাতা ট্রষ্টকী সেন্থং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা নোংমগী ওইবা গ্রাসরুট লিদর্সকী সেমিনার অমা ঙসি ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী কনফেরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

হয়েংদগী হৌরগা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ২৮ ফাওবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থা ৬ চপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগা মরি লৈননা ঙসি পাঙথোকখিবা সেমিনার অসিদা গ্রাসরুটকী নুপী ৭ অমদি নুপা ১৩ পুন্না মীওই ২০না শরুক য়ারি।

ঙসিগী থৌরমদুদা লমদমসিগী ওইনা ফুটবোল মশান্নগী লমদা শক্লাইরবা এস অমুতোম্বী অমদি এম রতনকুমারগা লোয়ননা ফুটবোল মশান্না অসিবু লমদমসিগী চহি নৌরিবা শান্নরোই কয়াদা পাকথোক–চাওথোক্লা তাকপি–তম্বীবগী থবক থৌরম কয়াদা থৌদাং লৌরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

## এল ইতোমচা নিংশিং ফুটবোল লোয়শিনবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৬ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ৩দগী টিম ৭না শরুক য়াদুনা মিনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চত্থরকখিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী লোয়শিনবগী থৌরম থা অসিগী ২৭তা গ্রাউন্দ অসিমক্তদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরমদুদা মোইরাং এ সিগী এম এল এ পি সরতনা চিফ গেষ্ট অমদি ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এ এল রাধাকিশ্বরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

## সাইনা মায়থিহৌরে

গ্লাসগো, আগষ্ট ২৬ঃ

স্কোটলেন্দগী সিটি গ্লাসগোদা চত্থরিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নোজোমি ওকুহারাগী মখুত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১২–২১, ২১–১৭, ২১–১০ দা মায়থিহৌবদগী লৈহৌরে।


